মপানগী পাউ

য়ু এন মিশন্না ম্যান্মারগী মিলিটরিবু ফাইনান্সিয়েল আইসোলেশন থন্নবা তকশিনখ্রে

বেঙ্কোক, মে ১৪ ঃ য়ুনাইটেদ নেশন্স ফেক ফাইন্দিং মিশন্না ম্যান্মারগী মিলিটরি অসি হ্যুমেন রাইট্স খোঙ্গাওনবগী থৌওংশিং চত্থবদা চেন্নরিবা অসি থিংনবগীদমক্তা মালেমগী লৈবাকশিংনা ম্যান্মারগী মিলিটরিবু ফাইনান্সিয়েল আইসোলেশন তৌনবা তকশিনখ্রে হায়না পাউগী সোর্স অমগী মতুং ইন্না ফোঙদোক্লি।

য়ু এন হ্যুমেন রাইট্স কাওন্সিলগী মেন্টেদকী মখাদা থবক তৌরিবা ইন্দিপেন্দেন্ট ইনভেষ্টিগেটরনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রিবদি ম্যান্মারগী মুসলিম রোহিংয়া মাইনোরিটিগী ক্রাইসিস অসি শন্তাইনবা পুরক্লবা হোৎনবদা করিগুম্বা খুমাঙ চাওশিনবগী মমি অমত্তা উবা ফংদে। রাখিন রিজন্দা মিলিটরি ক্লিয়ারেন্স ওপরেশন চত্থরকখিবদগী মিল্লিয়ন অমরোম হেনবনা লাঞ্জেন্নখ্রবনি।

হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা রোহিংয়াগী লৈরিবা ক্রাইসিস অসি শন্তাইনবা পুরক্লবা হোৎনবগী থৌওংশিং উবা লৈতে হায়না ফেক ফাইন্দিং মিশন ওন ম্যান্মারগী চিয়ারমেন মারজুকি দারুসমানন্না ফোঙদোকখি।

ম্যান্মার ওথোরিটিশিংনা ময়ুমমকৈ থাদোক্তুনা রোহিংয়াগী ভিলেজ কয়া অমা মৈ থাদোকখি। লোয়নন্না লাঞ্জেন্নখিবা মাইনোরিটি জাতি অসি মিলিটরিগী ওইনা লমন খুল্লক্কদ্রা হায়বগী মীপাইবা লৈবনা মরম ওইরগা দিসপ্লেসমেন্ট কেম্পশিংদা লেক-চাদুনা লৈরকখি।

ম্যান্মারদা হৌখিবা অমদি হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভমশিং অসি য়েংলগা ম্যান্মারগী মিলিটরিদা পোলিটিকেল, ইকোনোমি অমদি ফাইনান্সিয়েল ওইনা লৈনরিবা মরী অসি য়েংশিনবগী তঙায় ফদবা লৈরে। ঐখোয়না করম্বা কাঙবুশিংবু টার্গেট তৌরগা প্রেশর পীবা হেনগৎহন্দুনা হিংশাগী ওইবা থৌওংশিং হন্থহন্নবগীদমক্তা শেলথুমগী ওইবা লৈনরিবা মরী অদু ককথৎনবা হোৎনবগী তঙায় ফন্দবা লৈ হায়না মিশনগী মেম্বর ওইরিবা খৃষ্টোফর সিদোটিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রি।

ম্যান্মারগী মিলিটরিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ইথনিক গ্রুপ কয়াদা তাথি-তাওইনা তৌবগী থৌওংশিং চত্থবা মিশন অসিনা থেংনৈ। মসিগীসু মথক্তা খূৎলায় পায়বা ইথনিক গ্রুপ কয়া অমনসু হ্যুমেন রাইট্স খোঙ্গাওনবগী থৌওংশিং চত্থদুনা লাক্লি।

ম্যান্মারনদি রাখিন ষ্টেটতা হ্যুমেন রাইট্স খোঙ্গাওনবগী থৌওংশিং চত্থে হায়বসি য়ান্না কন্না য়ানীংদবা উৎলিবনি। সেক্যুরিটি ফোর্সনা সিভিলিয়ানশিংদা কৈদৌঙৈদা টার্গেট তৌবা লৈতে। রোহিংয়া মিলিটেন্টশিংনা এটেক চত্থরকপগী পাউখুম ওইনা এক্সন অদু লৌখৎপনি।

য়ু এন ওফিসিয়েল অমদি অতোপ্পা লুপ কয়ানসু ম্যান্মারগী আর্মিনা চত্থরিবা এক্সন অসি ইথনিক ক্লিঞ্জিং নৎত্রগা জেনোসাইদকী ওইবা থৌওংলা হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকখ্রবনি। ফেক ফাইন্দিংগী মিশন অসি হ্যুমেন রাইট্স কাওন্সিলগী অনৌবা গ্রুপ অমা ফাইন্দিং তৌনবা হোৎনবনি। মসি ম্যান্মারদা সেপ্টেম্বর থাদা ম্যান্মারগী রোহিংয়া ক্রাইসিস অসিগা মরী লৈননা মনিং-মখা তম্বা ইনভেষ্টিগেটিভ মেকানিজম অমা ওইনা চত্থিবনি।

ওর্গনাইজেশন অসিনা ইন্টরনেশনেল লো থুগায়বশিংবু ক্রিমিনেল প্রোজিক্যুশন চত্থনবগীদমক লিংখৎপনি। রাখিনদা থোক্লিবা ক্রাইসিস অসিনা মরম ওইরগা ম্যান্মার অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকা লৈনরিবা মরীদসু চাওনা অকায়বা থোক্লবনি।

হৌখিবা চহী কয়াগী মতমদা পোলিটিকেলগী ওইনা লৈবাক অসিদা অহোংবা পুরক্লবা হোৎনবগা লোয়নন্না দিমোক্রেসিদা লৈঙাক সাশন শিন্নখিবা অসিদা অমেরিকানা চাওনা মতেং পাংদুনা লাকখিবনি। য়ু এসকী ত্রেজরিগী মায়কৈদগী ম্যান্মারগী সেক্যুরিটি ফোর্সতা সেঙ্কশন থমজিনবগা লোয়নন্না য়ু এসনা রাখিনগী ওপরেশন্দা শরুক য়ারিবা ম্যান্মারগী মিলিটরি ওফিসিয়েলশিংবু অথিংবা থমখ্রে। বৃটেননদি সপোর্ট তৌবগী থৌওং খরা ককথখ্রে।

য়ু এন অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট রাইট এদভোকেটনা গভর্ণমেন্টপু ম্যান্মারগী মিলিটরি অসিনা চত্থরিবা মীওৎমীনৈগী থৌওংশিং লেপ্পবা খোঙথাং পায়খৎনবা তকশিল্লি। ৱেষ্টর্ন পৱার ওইরিবশিংনা ম্যান্মার মিলিটরিদা খূৎলায় য়োনবা নৎত্রগা মতেং পাংবা কক্কদবনি হায়বগী ৱাফমসু থল্লি।

ম্যান্মারগী মিলিটরিনা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা সিভিলিয়ান ইকোনোমিক সেক্টরদা কম্পনি কয়া অমা পায়শিন্দুনা থল্লি। ৱেষ্টর্নগী লৈবাকশিংনা অসিগুম্বা মীওৎ মীনৈ চত্থরিবা ম্যান্মারগী মিলিটরিগা খূৎশন্নদুনা থবক পায়খৎপা হায়বসি নিয়ম চুমদবা থৌরাং ওইগনি হায়রি।

মালেসিয়াদা লোন্না পুনবা হোৎনরম্বা রোহিংয়াগী মীওই কয়া বাংলাদেশ পুলিসনা কনখ্রে

কোক্স বজার, মে ১৪ ঃ মালেসিয়াদা লোন্না পুনবা হোৎনরম্বা রোহিংয়াগী মীওই কয়া বাংলাদেশ পুলিসনা কনবা ঙমখ্রে হায়না পাউগী সোর্স অমগী মতুং ইন্না ফোঙদোক্লি।

রোহিংয়াগী মীওইশিং অদু নুপীশিংনা অয়াম্বা ওইনা তৌই। মখোয়শিং অদু হি অমদা তোংহল্লগা মালেসিয়া তন্না ত্রাফিকরশিংনা পুনবা হোৎনরম্বদগী ফাগৎখিবনি। কোক্স বজার দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা রিফ্যুজি কেম্পতা লৈরিবা রোহিংয়াগী মীওই ৬৯বু ত্রাফিকরশিং অদুনা মালেসিয়াদা পুরগা থবক পীগনি হায়বগী ৱাফম থম্লদুনা পুনবা হোৎনরম্বনি। রোহিংয়াগী মীওই কয়া অমসু মালেসিদা লৈরিবনি।

হন্দক্কী থা খরগী মতম অসিদা রোহিংয়াগী মশীং য়াম্লবা মীওই কয়া অমা হিদা তোংহল্লগা মালেসিয়া তন্না পুনবা হোৎনরমখি। ইং ২০১৫দা ত্রাফিক্কিংগী মথক্তা অকনবা খোঙথাংশিং লৌখৎখ্রবা মতুংদা সমুদ্রদা আইন কায়না মী পুথোক পুশিন তৌবগী থৌওংশিং অসি হেনগৎলক্লি।

রোহিংয়াগী মীওই ২৫,০০০ রোম হেনবদি অদমন সী লাল্লগা থাইলেন্দ, মালেমসিয়া অমদি ইন্দোনেসিয়াদা ইং ২০১৫গী মতমদা চৎখ্রে হায়বগী থাজবা লৈরিবনি। অদুবু মখোয়শিং অসিদা অনসেভ ওইবা অমদি কা-হেন্না মী তোংশিনবনা মরম ওইরগা ঈরাক্লদুনা শিদুনা থৌওংশিং চত্থে।

পুলিসমী মায়কৈদগী রোহিংয়াগী মীওই খরা লোন্না মালেসিয়াদা পুনবা হোৎনরে হায়বগী অরোনবা পাউ অমা ফংবদগী পুলিসনা রেইদ চত্থখিবা মতমদা মখোয়শিং অদু রেস্ক্যু তৌবা ঙমহৌখিবনি। মসিদা অঙাং ১১ অমদি নুপী ৪৩ য়াওরম্বা থেংনখি। মখোয়শিং অদু কেম্পতা হনখ্রগনি। পুলিসনা ত্রাফিকরশিংদি ফাখিদে।

ইং ২০১৭তা বাংলাদেশতা রোহিংয়াগী মীওই লাক্ষ ৭লোম হেন্না ম্যান্মারদগী লাঞ্জেন্নরগা শৈদাংদুনা লৈরিবনি হায়রি।

স্রিলঙ্কাগী প্রসিদেন্টনা ইস্লামিষ্ট এক্সট্রিমিষ্ট ওর্গনাইজেশন ২ অথিংবা থমখ্রে

কলম্বো, মে ১৪ ঃ স্রি লঙ্কাগী গভর্ণমেন্টনা নেশনেল থৌহিট জমাট (এন টি জে) য়াওনা এক্সট্রিমিষ্ট ইস্লামিষ্ট ৩ অথিংবা থমখ্রে হায়না পাউগী সোর্স অমনা ফোঙদোক্লি।

স্রি লঙ্কা গভর্ণমেন্টনা অথিংবা থল্লিবা মিলিটেন্ট গ্রুপশিং অসিগী মরক্তা এন টি জে অসিদি ইষ্টর সন্দেদা টেরর এটেক চত্থখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা কাঙবুনি। প্রসিদেন্ট মাইথ্রিপালা স্রিসেনানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা এক্সট্রিমিষ্ট ওর্গনাইজেশনশিংবু এক্সট্রওর্দিনরি গেজেটদে অমা ইস্যু তৌখ্রে। মখা তাবা নোটিশ অমা থোক্লিফাওবদি লৈবাক অসিদা দ্রোন শীজিন্নবা অথিংবা থমখ্রে।

গেজেটদে অদুগী ৱারোল মতুং ইন্না এন টি জে, জমাথে মিলাথে ইব্রাহিম (জে এম আই) অমদি ৱিলয়াট এস সেলয়ানি (দব্লিয়ু এ এস) ওর্গনাইজেশনশিং অসি অথিংবা থমখ্রে।

পনবা য়াবদি, এপ্রিলগী তাং ২১দা নুপী অমা সুইসাইদ বোম্বর ৯ না স্রি লঙ্কাদা লৈবা লকজরি হোটেল অমদি চর্চ ৩ দা এটেক চত্থখিবগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা ফোরেন ৪৪ য়াওনা পূন্না মীওই ২৫৮ শিখ্রবনি। অদুগা অতে অতোপ্পা মীওই ৫০০ রোম হেনবনা অশোক অপন নংখ্রবনি।

ইস্লামিক ষ্টেট টেরর গ্রুপকী মায়কৈদগী এটেক অদু মখোয়না পাঙথোকপনি হায়না ক্লেম তৌখ্রবনি। অদুম ওইনমক গভর্ণমেন্টনদি লোকেল ইস্লামিষ্ট এক্সট্রিমিষ্ট গ্রুপ ওইরিবা নেশনেল থৌহিট জমাট (এন টি জে)না এটেক অদু পাঙথো-কপনি হায়রি। এটেক অদু চত্থবা হৌখিবদগী মীওই ১,০০০ রোম হেন্না ফাগৎখ্রে। স্রিলঙ্কা পুলিসনদি ইষ্ট সন্দেগী বোম্বিংদা চেন্নরিবা মিলিটেন্টকী কাঙবু অদু ফাগৎপা নৎত্রগা হাৎখিবা য়াওরে।

স্রি লঙ্কা লৈবাক অসিগী ওইনা মীওই মিল্লিয়ন ২১ লৈবা অসি জাতি কাঙলুপ কয়া পুল্লগা লৈরিবনি। অদুম ওইনমক সিনহালিষ্ট অমদি বুদ্ধিষ্টনদি মেজোরিটি ওইরি। মুসলিমনা লৈবাক অসিগী পোপুলেশনগী চাদা ১০ ওইরি। অদুগা হিন্দুশিংনা অনীশুবদা লৈবা খ্বাইদগী চাওবা মাইনোরিটি ওইবা জাতি ওইরিবনি।

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG IMPHAL EAST

Mutation Case No. 581/SDC/Hng/IE/ of 2019

Thangjam Chakritombi Singh S/o (Late) Thangjam Kesho Singh of Matai Makha Leikai . . .Petitioner

-Vrs-

(Late) Thangjam Kesho Singh S/o (L) Th. Bokul Singh of Matai . . . O.P.Party

NOTICE

Dated. 14/5/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি :- ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং: ২-অসৈলোকলেন দা লৈবা অরিবা পাট্টা নং: ৪৩ অং অনৌবা পাট্টা নং: ১০৮/২০০ গী দাগ নং: ১৯৯ এরিয়া .৮১ একর চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা S.D.C.Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিং য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়নন্না S.D.C.Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চত্থদুনা নামা ওল্লগনি।

Sd/-**Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East

NT/76992/15(May)

নোর্থ কোরিয়ানা য়ু এসপু ফাজিনখিবা কার্গো শিপ থাদোক্লবা তকশিনখ্রে

সিওল, মে ১৪ ঃ নোর্থ কোরিয়ানা য়ু এসপু ফাজিন্দুনা থমখিবা কার্গো শিপ থাদোক্লবগী ৱাফম তকশিনখ্রে হায়না পাউগী সোর্স অমগী মতুং ইন্না ফোঙদোক্লি।

নোর্থ কোরিয়াগী ওফিসিয়েল সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সি নৎত্রগা কে সি এন এনা মশক মমিং তাকথোক্তবা স্পোক্সমেন্ট অমনা পীখিবা ষ্টেটমেন্ট অমবু পল্লদুনা হায়রিবদি য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সনা হৌখিবা চহীগী জুন থাদা নোর্থ কোরিয়াগী লীদর কিম জোং অন অমদি প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী সমিটতা য়ানখিবা ৱাফম অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সনা থাজনবা হাৎলে।

কিম জোং অন অমদি দোনাল্ড ট্রম্পনা ন্যুক্লিয়র ফ্রী কোরিয়ান পেনিন্সুলা অমা ওইহন্নবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখিবগা লোয়নন্না লৈবাক মশেলগী ওইনা লৈনরিবা মরীদসু ফগৎপা ঙমখিবনি। অদুম ওইনমক চহী অসিগী ফেব্রুৱারি থাদা লুচিংবা অনী অসি ভিএটনামগী হানোইদা উনখিবদা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা য়ানবা পুরকপা ঙমদনা লোইখিবনি।

য়ু এসনা নোর্থ কোরিয়াগী জহাজ ফাজিন্দুনা থমখিবা অদু মমাঙ চয়োলদা লাউথোরকখিবনি। য়ু এস অমদি নোর্থ কোরিয়াদা মরক্তা লৈনরিবা মরী অসি ফৎচিল্লকখিদবা চৈরক্তা ৱাফম অদু লাউথোকখিবনি। নোর্থ কোরিয়াগী ওইনদি মিসাইল কাপ্পুনা চাংয়েং পাঙথোকপা হৌখিবা অসিনা য়ুনাইটেদ নেশন্সপু নমদুনা সেঙ্কশন কোমথোক্লবা থৌরাং ওইগনি হায়রিবনি।

য়ু এন সেক্যুরিটি কাওন্সিলগী রিজোল্যুশনগী মতুং ইন্না য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সপু নোর্থ কোরিয়াগী লল্লোন ইতিক তৌরিবা বেসেল অমবু ফাজিন্দুনা থমখিবা হায়বসি সোভরেন্টি ওইরিবা লৈবাক অসিগী ওইনা ইকায় খুম্লবা ঙাক্লা চত্তবনি হায়রি।

য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিও রসিয়াদা থুংখ্রে

সোচি, মে ১৪ ঃ য়ু এসকী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পিও রসিয়াগী লীদরশিংগা উনদুনা ৱারী শানবগীদমক ব্লেক সী রিজোর্ট ওইরিবা সোচিদা থুংখ্রে হায়না পাউগী সোর্স অমগী মতুং ইন্না ফোঙদোক্লি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মাইক পোম্পিওনা সোচিদা থুংখিবা অসিদা রসিয়াগী লুচিংবশিংগা উনদুনা ইরান, সিরিয়া আর্ম কন্ট্রোলগী মতাংদা মরু ওইনা পূক্লিং চিংশিন্দুনা ৱা খন্নরগনি থাজনরি।

মহাক্না রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সর্গে লেভরোভকা উনগনি অমদি মসিগী মতুং তারকপদা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিনগসু উনদুনা ৱারী শানগনি। মাইক পোম্পিল অমদি রসিয়াগী লুচিংবশিং অদুনা মরু ওইনা আর্ম কন্ট্রোল, ইরান অমদি সিরিয়াদা ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী মতাংদসু খন্ন-নৈনগনি হায়রি।

পাকিস্টানি কোর্টনা রাদিকেল ক্লারিক অনীদা থা অমগী বেল পীখ্রে

ইস্লামবাদ, মে ১৪ ঃ হৌখিবা চহীদা পাকিস্টান্দা রাদিকেল পার্টিনা পাকশন্না প্রোটেষ্ট তৌবগী খোঙজং চঙশিনখিবদা চেন্নরিবা রাদিকেল পার্টিগী লীদর ওইবা ক্লারিক অনী থা অমগী মতম পাকিস্টানি কোর্ট অমনা বেল পীখ্রে হায়না পাউগী সোর্স অমগী মতুং ইন্না ফোঙদোক্লি।

পাকিস্টান্দা ধর্মগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙবা ব্লাষ্ট ফেমি কেসকা মরী লৈননা খৃষ্টান নুপী অমবু মরাল কোকপীখিবগী থৌওংবু য়ানীংদবা উৎলদুনা রাদিকেল পার্টিনা পাকশন্না খোঙজং অদু চঙশিনখিবনি।

দিফেন্স লোয়র ওইরিবা অফ্রিসিয়াফ খাননা হায়খিবদা, লাহোর হায় কোর্টনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ওর্দর তৌখিবা অমদা খাদিম হুসেন রিজভি অমদি মহাক্কী দিপ্যুটি ওইরিবা পির অফজাল কাদ্রিবু মেদিকেল গ্রাওন্দদা থা অমগী মতম বেল পীখ্রে।

রিজভি টেহরিক ঈ-লাইবক পার্টিগী মীওইনি। মহাক এসিয়া বিবি খৃষ্টান নুপী অসিবু হাৎননবগীদমক্তা য়ান্না কন্না তকশিল্লিবা মীওইশিংগী মনুংদা অমনি। পাকিস্টানগী সুপ্রিম কোর্টনা মমাঙ চহীগী ওক্টোবর থাদা খৃষ্টান নুপী এসিয়া বিবিবু ব্লাষ্ট ফেমিগী চার্জদগী মরাল কোকপীখিবদগী মরু ওইনা প্রোটেষ্ট তৌবগী খোঙজং অদু চঙশিনখিবনি।

এসিয়া বিবিবু কোর্টনা মরাল কোকখ্রবা মতুংদা হাৎখিগনি হায়বগী মীপাইবনা লৈবনা মরম ওইরগা অরোনবা মফম অমদা সেক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা ঙাকশেন্দুনা থমখিবনি। অদুবু কায়নথংদা মহাক্কী মচানুপী কানাদাদা লৈরিবশিং অদুগা পূনশিন্নবগীদমক্তা পাকিস্টান থাদোক্লগা চৎপদা য়াহনখিবনি।

মহাক মোহম্মদ প্রোফেটপু ইকায়বা পীবগী ৱাথোক্কা মরী লৈননা চহী ৮গী মতম অসি শিবগী দন্দি পীদুনা জেলদা লৈরকখিবনি। পাকিস্টানদা খৃষ্টান লাইনিং চৎপী এসিয়া বিবিবু শিবগী দন্দি পীবগী মতাংদা মালেমগী লৈবাক কয়াদসু থৌওং অদু য়ানীংদবা উৎখিবনি।

HUMAN RESOURCE CENTRE
Leading & Oldest Medical
ADMISSION

GUARANTEE WITH PROMISE

MBBS at India
- Banglore (Karnataka)
- Uttarpradesh
  (Delhi NCR, Luknow, Kanpur)
- Rajasthan
- Navi Mumbai, Pure
- Chennai (Pondicherry)

MBBS at aboard
- Bangladesh
- Kyrgystan
- Nepal

BDS, BAMS, BHMS, BCA, Vety Engg, Nursing, Mgt, Agri, Tech etc.

Keishampat Top Leirak, Opp.
Sanaleipak Daily News Paper, Imphal
# 9402938178 / 8794758218

NT/76977/13-12(May-June)

খঙজিনবদা কান্নবা

প্লাষ্টিক পোল্যুশন্না সেকেন্দ ৩০ খূদীংগী মীওই অমমম হাৎলি

মালেমগী চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা প্লাষ্টিক পোল্যুশন অমদি অনকল্লেক্টেদ রবিশনা মরম ওইরগা মশাদা লায়না-তিলনা অমদি অনা-অয়েক চেল্লকপদগী সেকেন্দ ৩০ খূদীংগী মীওই অমমম শিরি হায়না নৌনা চত্থখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা ফোঙদোক্লি। রিচর্সর-শিংনা চত্থখিবা ষ্টদি অদুদা ফত্ত-হৌদি অমদি প্লাষ্টিক্কী দম্পিং গ্রাওন্দ মনাক নক্লা লৈরিবা মীওইশিং অসিদা মরু ওইনা দাইরিয়া, মেলেরিয়া অমদি কেন্সরনচিংবা মখলগী কিনিংঙাই ওইরবা লায়না-তিলনা কয়া শন্দোক্তুনা চহী খূদীংগী ওইনা মীওই মিল্লিয়ন অমমম শিরবা য়ানা লৈরে। ইন্টরনেশনেল রিলীফ এন্দ দিভলপমেন্ট এজেন্সি টিয়র ফন্দনা ইন্সটিট্যুট ওফ দিভলপমেন্ট ষ্টদিজ ৱাট্চ এইদ এন্দ কঞ্জর্ভেটিভ চেরিটি ফৌনা এন্দ ফ্লোরা ইন্টরনেশনেল (এফ এফ আই)না রিপোর্ট অদু ফোঙদোকখিবনি। এফ এফ আইগী ভাইস প্রসিদেন্ট সার দেভিদ এটেনবরাওদনা রিপোর্ট অসি প্লাষ্টিক পোল্যুশন্না পীরকপা শাফূদা মালেমগী ওইনা ৱাইল্ডলাইফশিংদা খুদোংথিবা পীরকপখক্তা নত্তনা লায়রবা মীয়ামদা চৈথেং পীরকপগী খুদন্নি হায়বগী মত পীখি।

গৌতেমোলাগী কোর্টনা এক্স-দিক্টেটরগী মচানুপী প্রসিদেন্সিয়েল লমজেলদা অথিংবা থমখ্রে

গৌতেমোলা, মে ১৪ ঃ গৌতেমোলাগী মকোক থোংবা কোর্ট অমনা মমাঙদা মিলিটরি দিটেক্টর ওইরম্বা ইফ্রাইন রিও মোন্টকী মচানুপীবু জুন থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্সিয়েল ইলেক্সন্দা মীরেপ ওইবদা অথিংবা থমখ্রে হায়না পাউগী সোর্স অমগী মতুং ইন্না ফোঙদোক্লি।

এক্স-মিলিটরি দিটেক্টর রিও মোন্টকী মচানুপী রাইট ৱিং পোলিসিয়ান জুরি রিওনা লৱার কোর্টকী মহাকপু কেন্দিদেটসি ওইবগী অথিংবা থম্ববু শীংনদুনা থাখিবা পিটিশন অমা কন্সটিট্যুশনেল কোর্টনা অয়াবা পীখিদ্রে।

কন্সটিট্যুশনেলগী আর্টিকেল মতুং ইন্না কূ লীদরশিংগী নক্লবা মরী মতাশিংবু মকোক থোংবা ওফিস পায়বদা অথিংবা থম্বগী নিয়ম লৈরিবনি। প্রসিদেন্ট নৎত্রগা ভাইস প্রসিদেন্টকী ফম পায়বা মতমদা অসিগুম্বা কূ লীদরগী মরী-মতাশিংদা অথিংবা থম্বগী নিয়ম অসি লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকেলদা য়াওরি।

রিওসকী লোয়রনা ৱাফম অদুগী মতাংদা খূদক্কী ওইনা কমেন্ট পীয়ু হায়বা য়াখিদে। রিওনা লোকেল টেলিভিজনগী ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না দিসিজন অদুগী মত্রংদা ফোর্মেলি নোটিফায় তৌরকপা লৈতে। লোয়নন্না ইন্টরনেশনেল আপীল পর্স্যু তৌগনি।

সুপ্রিম ইলেক্টোরেল ট্রাইব্যুনেলনা পূং ২৪গী মতম অসি রিওগী রেজিষ্ট্রেশন অদু রিভোগ তৌবা য়াই হায়না কন্সটিট্যুশনেল কোর্টকী সেক্রেটরি জেনরেল মার্টিন গুজমানন্না প্রেস কনফরেন্সতা ফোঙদোকখি। কন্সটিট্যুশন অসিনা কূ তৌবা, আর্ম রিভোল্যুশন অমদি অসিগুম্বা মুভমেন্টকা মরী-মতা ওইবা মীওইশিংনা মকোক থোংবা লৈবাক অসিগী ফম পায়নবা হোৎনরকপসি হায়বসি কন্সটিট্যুশনগী ওইনা অথিংবা লৈ হায়রি।

URGENT JOB NEWS
Government Regd. No. Kj/65(com.estt) of 2016
(First come & First Chance)

Sl.	Name of Post	Salary	Post	Quala.
1.	No Deposit and No Donation Work at Imphal City.			
	i. Sales - Executive	5,000 – above	20	X/XII
	ii. Company Salesman	5,000 – above	20	VIII/X
	iii. Marketing Manager	5,000 – above	10	X/XII
2.	Direct Selection and Joint for Airlines and Airport Job Vacancy in IGI New Delhi/Bangalore/Hyderabad and North East (Semi Govt. Job)			
	i. Air Hostess / Cabin Crew	47,000 – 3 Lac	20	XII/G
	ii. Air Ground C.S.A/VIP Lounge Staff	17,000 – 60,000	30	G/M
	iii. G-Retail CSA/Meet & Asst. Staff.	15,000 – 90,000	30	X/XII
	iv. Cargo Asst. / G-Potter Staff	13,000 – 60,000	20	VIII/X
	v. Fight Cleaner / G-Loader	13,000 – 40,000	40	VIII/X
	vi. Airport Driver (Heavy)	15,000 – 90,000	20	X/XII
	vii. Airport Security Guard	15,000 – 40, 000	20	G/M
3.	Imphal Post Vacancy 100% Success Guide.			
	i. Office Reception (Female)	4,000 – 15,000	20	X/XII
	ii. Accountant / Micro C.R.O.	8,000 – 40,000	20	XII/G
	iii. Office in-charge / Manager	5,000 – above	10	G/M
	iv. Security Guard / Ladies Guard	6,000 – 10,000	40	VIII/X
	v. VIP Gunman Guard / Ex-Servicement	8,000 – 15,000	20	VIII/X
	vi. Micro R.O. / D.L Driver.	7,000 – 15,000	40	VIII/X
	vii. PHP, My SQL Web/Net Android Dev.	8,000 – above	10	G/M
	viii. Soft Engg. / Android Dev (Fresh./Exp)	10,000 – above	10	G/M
	ix. Helper / Van Drivers.	5,000 – above	20	VIII/X
	x. Cashier.	5,000 – above	10	XII/G
4.	Banking Sitting Staff Requirement.			
	i. Banking Sitting Staff	17,000 – 80,000	15	G/M
	ii. Account Opening Staff	15,000 – 80,000	20	G/M

Date of Submission : 23-05-2019
Date of Interview : 24-05-2019
Pls Contact : +91 9774361669/8131087993
Office Hour : 10.00 a.m. to 4.00 p.m.

Please Contact & Concern
Emoinu Job Consultant
Keishampat Opp. CCpur Bus Parking
Near Pokuapham Press Gate

NT/76918/6,8,10,11,12,13,15,17,20,22(May)

ꯗꯨꯇ꯭ꯇ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ

ঈ তাবা, চাফাৎপা, পোম্বা, হাক্কচবা, পোমথোক্লগা লৈবা, ফম্বা ঙমদবা, মসিবু ফহনবা Arshnasak Piles Capsule DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি

(নুংশং অমসুং গ্যাসত্রিক)

নুংশং ঈ তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই, খোং হান্বা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী। পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হান্বা নুঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

(নুপাগী প্রোব্লেম)

শক্তি হন্থবা, হকতিন্নবগী শক্তি ৱাৎপা, ফম্বী থুনা থোকপা, মপূং ফাবা ঙমদবা, ফম্বী পাবা, ফম্বী থোকপা ৱাৎপা, অহিংদা ফম্বী চৎপা, মপান থোকপদা ফম্বী লোয়নবা, খোং হান্বদা ফম্বী লোয়নবা, হকচাংগী ফিনুংগী হাক্কৎচবা অসিনচিবশিং অসি অয়ুর্বেদিক হীদাকশিংনা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙল্লে। চাউথোকপা, শাংদোকপা ঙম্বা মেল ওর্গনান দিভেলপর মেছিনসু অদোমগী অপাম্বা মখলদা ফংবীগনি।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিভৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা চাং ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কৎচবা, ফুরি থুংবা, নাই চাবা অমদি ব্রেষ্ট অপীকপা অমসুং চোহ্নবা মখলগী ব্রেষ্টপু হেক য়েংবদা ফজহনবা পূক্লিং চিংশিন্নিংঙাই ওইবা অমসুং মপূং মরৈ ফাহনবা ঙম্বা অয়ুর্বেদিক ব্রেষ্ট ওইলমেন্ট্স অমদি মেদিসিনসু ফংবীগনু।

ডাইবেটিস লায়নানা মরম ওইরগা অহিংদা ঈশিং তোয়না চৎপা, ৱেথ চাং হন্থবা, পাঙ্গল শোহ্নবা, সেক্সকী শক্তি ৱাৎলকপা অসিনচিংবা অসি ঐখোয়গী হীদাক চাং নাইনা চাবীয়ু নোংমা নোংমগী ডাইবেটিস চাং হন্থরক্কনি অদুগা সেক্স পৱার নোংম-নোংমগী কনখৎলক্কনি।

(অঙৌবা পকপা অমসুং উনশাগী লায়না)

অঙৌবা পকপশিংগীদমক থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্বা ইঞ্জেক্সনসু লৈজরে। অদোমগী অঙৌবা পকপা লৈরবদি লোৎশিন্দুনা থম্বীগনু, অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তান্নবীয়ু DUTTA CLINIC তা অমদি Skin Diseases, S.T.D. ECZEMA, উরিং, ফি লাইকোই অসিনচিংবা অতৈ স্কিন দিজীজসু লায়েংজরি।

(শমগী প্রোব্লেম অমসুং নাকোংগী প্রোব্লেম)

শম পোকখায়বা, শমজাবি, চহীগা চানদনা পোক হৌবা, শম কেনবা অসিনচিংবশিং অসি কোক্তা তৈনবা থাও অমদি মেদিসিন খরগা শীজিন্নরবদি শম কেনবা হন্থরক্কনি। শমগী মচু ওল্লক্কনি।

নাকোং, না তাবা ৱাৎপা নাকোং নাবা, হান্না করিসু তৌদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি অতৈ অতোপ্পা মখলগী নাকোংগী লায়নাশিং কয়াসি লৈরবদি লাকপীদুনা তান্নবীয়ু।

(অরথ্রাইটিস জোইন পেন অমদি অজমা)

তাঙ-তাঙ চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎ শিথবা মসল নাবা, খূৎ হাইগৎপা ঙমদবা, অজমা, লোক খুবা, মিহুন কা-হেন্না চোংবা, শ্বর ফূনগৎপা, থবাক খেবা, থবাক নাবা, লোক কংখু খুবা অসিনচিংবশিংগীদমক ৱাবীগনু অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তান্নবীয়ু।

(লূম্বা হেনগৎপা)

চহী মতাং অমদা হেক্তা লৈবা নুপামচা নৎত্রগা নুপীমচা মশাগা চানদবা মওংদা কংবা, মশা পাবা, ৱেথ য়াওদবা, মদুগীদমকসু ঐখোয়গী হীদাক্লা ফহনবা ঙম্মী। লাকপীদুনা তান্নবীয়ু।

(য়ু করম্না থাদোকহৌগনি)

য়ুদা লাইচুদুনা লৈরবা মীওইশিংদা ঐখোয়গী হীদাক অসি চাং নাইনা পীজবা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুং হরাও-নুংঙাইবা হায়বদো হঞ্জিল্লক্কনি। মহাক শোয়দনা য়ু থাদোকপা ঙমগনি।

ꯗꯨꯇ꯭ꯇ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ
DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House, Building.
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

Education
FAIR 2019
WHERE DO YOU WANT TO BE ?
WHAT CAREER PATH DO YOU WANT TO TAKE ?
WHO WILL BE THERE ?
MEET DELEGATES OF TOP COLLEGES AND UNIVERSITIES
FROM DIFFERENT PARTS OF INDIA AND ABROAD.
IMPHAL
Date: 16th & 17th May 2019
Venue: LAMYANBA SANGLEN, PALACE COMPOUND
UKHRUL
Date: 20th May 2019
Venue: TOWN HALL, PHUNGREITANG
CHURACHANDPUR
Date: 23rd May 2019
Venue: YMA HALL, HMUIA VENG, TIDDIM ROAD
FREE ENTRY
Visit & Get Exciting Gifts
Avail Scholarship for Higher Studies
NT/Yaima/13-16(May)
Sponsored by:
BANNARI AMMAN INSTITUTE OF TECHNOLOGY
Autonomous Institution, Accredited by NAAC With 'A' Grade
TAMIL NADU
MANDSAUR UNIVERSITY
MAKING FUTURE READY
MADHYA PRADESH
Annai Medical College of Naturopathy and Yoga Science
TAMIL NADU
SGT UNIVERSITY
SHREE GURU GOBIND SINGH TRICENTENARY UNIVERSITY
GURGAON, DELHI-NCR
NEEC
EXPLORE OPPORTUNITIES
9774003612 | www.neec.co.in